# সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা নিক কিরগিয়োস অমসুং জেসিকানা নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

ৱাশিংটন, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী)ঃ

যু এস এগী সিটি ৱাশিংটন দি সিদা পাঙথোকপা সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী ৫১ রক শুবা এদিসন অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসকী ৯লক শুবা টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা লোইশিনখিবা ফাইনেল রাউন্দশিংদা নুপাগী টাইটল অদু ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিয়োসনা লৌখ্রে। অদুগা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদুনা যু এস এগী জেসিকা পেগুলানা ফংখ্রে।

মমাঙ থাগী ২৯দগী শান্নবা হৌরকখিবা সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল লম্বা তৌখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিয়োসনা সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অদুগী নম্বর ১ সিদেদ শান্নরোয় ওইখিবা গ্রিসকী শান্নরোয় ষ্টিফানোস সিসিপাসপু ৬-৪, ৩-৬, ৭-৬ (৯-৭)তা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌখি।

অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা জর্মনিগী পিটর গোজে াসিকপু ষ্ট্রেট সেট ২দা ৬-২, ৬-২দা থোইরগা সিটি ওপন এ টি পি টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গল ফাইনেল অদু মহাক্কী করিয়রগী ওইনা অহানবা ওইনা খোঙদাখিবনি।

ফাইনেল মেচ অদুদা ওষ্ট্রেলিয়গী নিক কিরগিয়োস অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবনা ফাইনেল অদুগী হৌরকপা মীৎকুপ্তগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা অমনা অমবু লাকশিনবা ঙমখিদে।

ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেট অদুগী ১২ শুবা গেম লোইশিনবা ফাওবদা গেম ৬-৬ থোইনদুনা লৈনখিবদগী ট্রাই ব্রেক শান্নখি। মদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী কিরগিয়োসনা পোইন্ট ৮-৬তা থোইদুনা সেট অমা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবনা ফনা কন্না হোৎনদুনা শান্নবা ঙমখ্রবসু ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেট অদুগুম্না টাইব্রেক শান্নবদা ওষ্ট্রেলিয়াগী কিরগিয়োসনা পোইন্ট ৭-৪দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ইটলিগী কামিলা জোরজি য়াবু যু এস এগী জেসিকা পেগুলানা সেট ২ (৬-২, ৬-২)দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল ফংখি।

ইটালিগী কমিলা জিওর্জিনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা অতোপ্পা যু এস এগী শান্নরোয় কেটি মেকনালিনিবু ষ্ট্রেট সেট ২দা মায়থীবা পীখি। পনবা য়াই, সেমি ফাইনলে মেচ অদুগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেচতা ইটালিগী শান্নরোয় কামিলা জিওজি গী মশান্না অদুদা যু এসকী শান্নরোয় কেটি মেকালিনিনা অকনবা প্রেসর উতুনা লাম্বা তৌরকপদা টাইব্রেক য়ৌরকপনি।

টাইব্রেক অদুদা ইটালিগী কামিলানা শুপ্নগী পোইন্ট ২খক হেনখিবদগী সেমি ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেট মাংজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা যু এস এগী শান্নরোয় কেটি মেকনালিনিনা য়াম্না কন্না হোৎনখ্রবসু ইটালিগী কামিলনা লাকশিন্দুনা কেটিগী সার্ভিস গেম অনী মুন্দুনা সেট অদু ৬-২দা থোইরগা কামিলা ফাইনেল য়ৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেটতা যু এসকী জেসিকা পেগুলানা কমিলাবু ৬-২দা থোইখি।

সেট অমা মাংজিল থাবা ঙম্লবা যু এস এগী জেসিকা পেগুলানা মখা তানা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী ২শুবা সেটতা ইটালিগী শান্নরোয় কামিলা জিওর্জিবু কা হেন্না খুদুম চনবা ঙমদুনা অহানবা সেটতা মায় পাকখিবা স্কোর অদুগুম্না লোইশিল্লকপা ৬-২দা হেনখিবদগী টুর্নামেন্ট অদুগী নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেল লম্বদা সাউথ অফ্রিকাগী রাবিন ক্লাসেন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মার্ক ভেনসকী পেয়রনা নেদর্লেন্দসকী জে জে রোজর্স অমসুং রোমানিয়াগী ঐচ টেকাওবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ৩শুবা সিদেদ পেয়র সাউথ অফ্রিকাগী ক্লাসেন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী এম ভেনসনা নেদর্লেন্দসকী জে রোর্জস অমদি ঐচ টেকাউগী লম্বদা অহানবা সেটতা ৩-৬তা মায়থীবা নংলবসু অনীশুবা সেটতা চপ মান্নবা স্কোরদা ৬-৩দা থোইদুনা দিসাইদিং সেটতা মখোয়না রোজর অমসুং টেকাউবু পোইন্ট ১০-২দা মায়থীবা পীদুনা সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপাগী দবলস কাংলুপ্তা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।





# ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজকী টিমবু ২শুবা টি-২০ মেচতা দি এল এস মেথকী মতুং ইন্না রন ২২দা মায় পাকখ্রে

ফ্লোরিদা, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী)ঃ

যু এস এগী লোদরহীলদা লৈবা সেন্ট্রেল ব্রোৱাদ রিজনেল পার্ক ষ্টেদিয়মগী টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ইন্দিয়া অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজ টিম অনীগী অনীশুবা মেচতা ইন্দিয়ানা দি এল এস মেথটতা রন ২২দা থোইবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজকী ক্রিকেট টিমনা অতোপ্পা লৈবাক্কী ক্রিকেটতা মায় ওনশিন্দবা মফমশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা মশান্না অসিবু পামহন্নবগীদমক লৌখৎখিবা খোঙথাংশিং অদু অচুম্বা মায়োন্দা লাক্লি হায়না ইন্দিয়াগী টিম মেনেজ মেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোকপা লৈখি।

মেচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা অপিবা টুর্নামেন্ট অদুগী কাংলোনগী মতুং ইন্না ওভর ২০গী মনুংদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বেটচমেন ৫ আউট ওইরগা রন ১৬৭ লৌখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ওপনর রোহিত শর্ম্মনা শুপ্নগী বোল ৫৭দা সিক্স ৩ ফোর ৬ অমদি রন ৫১ চেন্দুনা পন্না রন ৬৭ লৌখিবা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। রোহিত শর্ম্মগী মতুংদা ইন্দিয়াগী টিমগী মায়কৈদগী মেচ অদুগী শান্নবা চঙশিল্লকখিবা বেটচমেনশিং মখোয় মখোয়গী পাঙ্গল মতিক চানা পুথোকপা ঙমদনা ইন্দিয়াগী ইনিংস অদু অপিবা ওভর ২০গী মনুংদা ৱিকেট ৫ তুরগা অপুনবা স্কোর ১৬৭ লৌবা ঙমখি।

মেচ অদু মায় পাক্লনবা ৱেষ্ট ইন্দিজগী মায়কৈদগী রন ১৬৮ লৌগদবা অদু মেচ শান্নফম অদুগী ফিল্ডগী ফিভম ফত্তবদগী ক্রিকেট মশান্নগী চৎনা কাংলোন ওইনা লৈরিবা দি এল মেটথ (দগৱার্দ লেৱিস)কী মতুং ইন্না ইন্দিয়ানা ৱেষ্টি ইন্দিজপু রন ২২দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুদা টোস ঙমখিবা ইন্দিয়ানা লৌখিবা রন ১৬৭ অদুগী তান্নদুনা ৱেষ্ট ইন্দিজনা শান্নরকপদা নোংনা তেনশিনহনখ্রবা ওগর খরা অদুদা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ৯৮ লৌদুনা লৈখিবা অদুগী মখা তাবা শান্নবগী মতম লৈখিদবদগী মেচ অদু ইন্দিয়ানা রন ২২দা থোইখি।



# চাইনাগী নুপী ভোল্লিবোল টিম্না টর্কিবু মায়থীবা পীদুনা কুমজা ২০২২ টোকিও ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইখ্রে



বৈলুন, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী)ঃ

লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২২গী টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী নুপীগী ভোল্লিবোল দিসিপ্লিনগী ক্বালিফাইং টুর্নামেন্টকী টোকিও ক্বালিফিকেসনগী পুল 'বি'দা চাইনানা টর্কিবু মায়থীবা পীদুনা ওলিম্পিক্কীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

টোকিও ভোল্লিবোল ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্ট অদুদা নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অদুদা চাইনাগী টিম অদুনা টর্কিগী টিম অদুগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট অদু ঙন্না লম্বা মান্নরম্বদগী লোয়শিল্লকপদা ২৫-১৮দা মায়থীবা পীদুনা সেট অমা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা সেট অদুদা টর্কিগী শান্নরোয় অদুনা য়াম্না কন্না মায়পাক্লবা হোৎনখিবা অদুদা টর্কিগী মায়কৈগহী শোৎখিবা সেট অনী হনগৎনবা লাক্লরিঙৈদা চাইনাগী শান্নরোয়শিং অদুনা মখোয়গী মশান্না অদুদা অহোংবা লৈহন্দনা শান্নবা ঙমদুনা সেট অদু পোইন্ট ২৫-১২দা থোইদুনা সেট ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

টর্কিগী শান্নরোয়শিং অদুনা কুমজা ২০২২ টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফিকেসন কম্পিটিসিন অদুগী পূল 'বি'দা টর্কিগা লম্বা তৌনরকখিবা অদুগী মেচতা অহানবা সেট অনী মায়থীদুনা লৈখ্রবা মতুং অহুশুবা সেট অদুদা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শান্নরকখি।

টর্কিগী শান্নরোয়শিং অদুনা হোৎনখিবা মশান্না অদুদা চাইনাগী মায়কৈদগী য়াম্না মতাং মতম চানা পাউখুম পীবা ঙমদুনা পোইন্ট ২৫-১৮দা থোইদুনা মেচ অদু মায়পাক্লগা ২০২০ ওলিম্পিকগী দমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

চাইনাগী হেদ কোচ লানপিংনা ফোঙদোকখিবদা টোকিয়ো ২০২০ ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইবা অসি চাইনাগী মায়কৈদগী য়াম্না চুম্না চঙশিনবা খোঙথাং অমনি। মখা তানা ওলিম্পিক্স অদুদা মকোক থোংনবা হোৎনগনি হায়খি।

# পাকিস্তানগা শান্নগদবা দেভিস কপ্তা সাকেট ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী)ঃ

চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১৪ অমসুং ১৫দা পাকিস্তানা যুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা দেভিস কপকী গ্রুপ 'আই'গী ওইনা শান্নগদবা অদুদা সাইকেট মাইনেনি ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াখ্রে।

মশামক সিঙ্গলস অমসুং দবলসকী মায়কৈদা শান্নবা ঙম্বা শান্নরোয় অমা ওইরিবনি। মহাক য়াওরকপা অদুনা ইন্দিয়াগী টিমদা ওপসন থমদনা টিমগী পাঙ্গল হেনগৎপা ঙমখি। ইন্দিয়াগী টিম অদুদা সিঙ্গলসকী মকোক থোংবা শান্নরোয় অনী প্রজিনস গুনেশ্বরন অমসুং রামকুমর রামানাথননা সিঙ্গলস লুচিংগদৌরি। অদুগা দবলসকী কাংলুপ্তা রোহন বোপনা অমদি দিভিস সারননা মকোক থোংগদৌরি।



ইন্দিয়াগী টেনিসকী দেভিস কপ সেলেক্সন কম্মিতিগী মেম্বর ৫গী লুচিংবা ওইখিবা রোহিট রাজপালনা লৈবাক অসিগী ওইনা ইন্টর্নেসনল টুর্নামেন্ট কয়াদা শরুক য়ারিবা সুমিত নগাল শোক্তুনা লৈখিবদগী সাইকেট মাইনেনিবু মহাক্কী মহুৎতা খনখিবনি। রিজার্ব প্লেয়র ওইনা নহা ওইরিবা সচিকুমার মুকুনবু থমখি।

নীংশিংবা য়াবদি, সাইকেট মাইনেনিনা ইন্দিয়াগী দেভিস কপ টেনিস টুর্নামন্টে অসিগী হৌখিবা ইন্দিয়াগী টাইদা শরুক য়াবা ঙমখিদে। ইন্দিয়ানা ইটালিবু যুম্বু ওইরগা শান্নখিবা অদুদা মেচ ১-৩দ মায়থীবা নংখি।

কুমজা ২০১৮কী সেপ্টেম্বর থাদা ইন্দিয়ানা সর্ভিয়াদা চৎতুনা ৱর্ল্ড গ্রুপ প্লে ওফকী শান্নখিবা টাই অদুদা মেচ ০-৩দা মায়থীবা নংখি। চহী ৩১ শুরবা সাইকেট মাইনেনিনা হৌখিবা চয়োলদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় অর্জুন খাদেগা পেয়র ওইদুনা সেংদু চেলেঞ্জর দবলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০০

১) লূপ অসি মণিপুর সরকারদা কুমজা ১৯৫৫-৫৬তা রেজিষ্টর তৌখি। লূপ অসিনা ষ্টেট অসিদা শান্নবগী অশিল অরাংশিং তৌই। লুপ অসিনা মশা-মউ ফবা তান্নবগী থৌরমশিংদসু থৱাই য়াওনা অথোয় অহেন তান্নহল্লি। লুপ অসিগী মমিং পীয়ু।

২) কুমজা ১৯৬২দা কংলাদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট গেমসতা মহাক্না মরাথন্দা মকোক ওইখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৩) ইন্দিয়াগী টিমনা ৱেষ্ট ইন্দিজদা টেষ্ট মেচ শান্নবা চৎখিবদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী কেপ্টেন অদুনা ইন্দিয়াগী টিমদা মহাক্কী তিমদা লমহেনবা ফর্স্ত বোলর অমা য়াওই, মহাক্না বোল হুনবদা চহী ১৮ শুরবা ৱেষ্ট ইন্দিজগী শান্নরোয় অমদা মকোক্তা থাখি। মদুদা মহাক্না 'শোইখ্রে' ফাওবা হায়খিদে। অদুগা ইন্দিয়াগী টিমদা খরা চেকশিন্নবা হায়খি। অদুম থোকখি, ইন্দিয়াগী কেপ্টেন অদু মহাক্কী বোলনা মকোক্তা থোম্বদা মনাতোন্দা অমসুং মনাকোংদা ঈ তারকখি। মহাক ওপরেসন তৌখি। ৱেষ্ট ইন্দিজগী কেপ্তেন অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) করম্বা Poloগী শগোলবু সনাবী কৌবগে?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা স্পেনগী কেরোলিনা মারিন নুপীগী সিঙ্গলসতা শরুক য়াররোই



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী)ঃ

কুমজা ২০১৮ রিও ওলিম্পিক গেমসকী নুপীগী বেদমিন্টন দিসিপ্লিনগী সিঙ্গলকী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রবী স্পেন মচা কেরোলিনা মারিননা স্বিটজর্লেন্দগী সিটি বাসেলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ অদুদা মখুউ শোকখিবা অদু মপুং ফানা ফবা ঙমদবা মরম্না শরুক য়াররোই।

ওলিম্পিক গেল্ড মেদল ফংখ্রবী স্পেনগী কেরালিনা মারিননা চৎলিবা চহী অসিগী জুনৱারি থাদা পাঙথোকপা ইন্দোনেসিয়া মার্ষ্টস বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা মখুউ শোকখিবদগী মখা তাবা তোঙান-তোঙানবা বি দব্লীয়ু এফকী থাক কয়াগী টুর্নামেন্ট শরুক য়াবা ঙমদনা লাকখিবনি।

কেরোলিন মারিন চহী অসিগী জনুৱারি ২৬তা ইন্দোনেসিয়া মার্ষ্টস বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেচতা শোকখিবা অদুনা মরম ওইরগা হন্দকসু শান্নবা ঙম্লোইদৌরি। মারিননা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী অশোকপা অদু অথুবা মতমদা ফগৎতুনা কম্পিটিটিব টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবা ঙম্নবা হোৎনরি হায়খি।

# ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা মোরিটানিয়াবু কোটিফ কপ্তা ৭-০দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা ফজবা ঙল্লি

ভেলেন্সিয়া, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী)ঃ

স্পেনগী সিটি ভেলেন্সিয়াদা পাঙথোক্লিবা কোটিফ কপ ৱুমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা মেচ অমদা ইন্দিয়াগী টিমনা মোরিটানিয়াবু পাঞ্জল ৭-০দা মায়থীবা পীখ্রে।



নীংশিংবা য়াবদি কোটিফ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহানবা মেচতা ইন্দিয়াগী টিম স্পেনগী ফুটবোল ক্লব ভেলেন্সিয়া সি এফকী মখুৎতা ০-২দা মায়থীবা নংখ্রবা মতুংদা অনীশুবা মেচতা বোলিভিয়াবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইবা ঙমখ্রবনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসিনা স্পেনগী কোফিট কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি শরুক য়াবগী মরু ওইবা পান্দমদি এসিয়ান ফুটবোল কনফিদেরেসনগী ওইনা ফিফা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপকী ক্বালিফাই ওইগদবা টিমশিং খন্ননবা এ এফ সি ক্বালিফাইর্সতা শরুক য়াননবা শেম শাবা ওইনা শান্নরিবনি।

কোটিফ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী নুপী টিম অসিনা অহানবা মেচতা ভেলেন্সিয়া সি এফকী মখুৎতা অহানবা মেচ মায়থীবা নংখ্রবসু অনীশুবা মেচতা বোলিভিয়াবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইবা ঙমখ্রবা মতুং ঙসি মোরিটানিয়াগী টিমবু পাঞ্জল ৭-০দা চাওনা মায় পাক্তুনা টিম অসিনা চৎলিবা এক্সপোজর টুর অদুদা অফবা লম্বেলদা চঙশিনবা ঙল্লি।

মোরিটানিয়া টিমগা শান্নখিবা মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অদুগী মায়কৈদগী মোনিসানা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং টিম অদুগী ষ্ট্রাইকর মণিপুরী মচা বালানা পাঞ্জল অমা চনশিনখ্রবা মতুং মোরিটানিয়াবু ২-০দা হেন্দুনা লৈখি। অহানবা হাফ অদুগী মিনট ৪৫ লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী ষ্ট্রাইকর মণিপুরী মচা দাংমৈ গ্রেসনা পাঞ্জল ২ হাপচিল্লগা ৪-০দা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল ৪-০দা মাংজিল থাবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অদুনা অহেনবা এটেক চথবা ঙমদুনা অহেনবা পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। অনীশুবা হাফ অদুগী পাঞ্জল ৩ চনখিবা অদুগী মনুংদা টিম অদুগী ষ্ট্রাইকর মণিপুরী মচা অসালাতানা পাঞ্জল ২ অদুগা দয়ানা পাঞ্জল ১ হাপচিল্লগা মেচ অদু ইন্দিয়ানা মোরিটানিয়াবু ৭-০দা মায়থীবা পীখি।

# ফিফা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়র্সকীদমক ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোয় ৩৫ খনগৎপদা মণিপুরী মচা অহুম য়াওখ্রে







ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী)ঃ

কুমজা ২০২২দা এসিয়াগী লৈবাক অমা ওইরিবা কটারনা যুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফায়িং রাউন্দগী শেম শাবা ওইনা ইন্দিয়াগী টিম লাউথোকপদা শান্নরোয় ৩৫গী মনুংদা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় ৩ য়াওখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী সেনিয়র ফুটবোল টিমগী কোচ ওইরিবা ক্রোসিয়া মচা আইগোর ষ্টিমেগনা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী এসিয়াগী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা শেম শাননবা হোৎনখিবদা খনগৎখিবা শান্নরোয় ৩৫গী মনুংদা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় ৩ অদুগী মমিংদি দিফেন্দরদা সলাম রঞ্জন অমসুং মিদফিল্ডদা কুমাম উদান্তা অমসুং কিয়াম অমর্জিৎনি।

ইন্দিয়াগী সেনিয়র ফুটবোল টিমগী খনগৎলবা শান্নরোয় ৩৫না চৎলিবা থা অসিগী ১৯দা গৌৱাদা পুন্দুনা ট্রেনিং কেম্প অমা শরুক য়াগদৌরি। মদুগী মখা তারকপদা টিম অসিনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৫ অমসুং ১০দা ওমান অমদি কটারদা ফ্রেন্দলি মেচ শান্নদুনা ৱর্ল্ড কপকী শেম শাবা হৌগদৌরিবনি।

ওমানগা শান্নগদবা মেচ অদু ইন্দিয়ানা যুম্বু ওইরগা অৱাং নোংপোক ষ্টেট অমা ওইরিবা অসামগী কোনুং গুৱাহাটিদা শান্নগনি। মদুগী মতুং ইন্দিয়াগী টিম অদুনা ক্বালিফায়র্সকী অনীশুবা মেচ অদু ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২২গী যুম্বু লৈবাক কটারগী কোনুং দোহাদা লম্বা তৌনগনি।

হায়রিবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুগী মখা তাবা মেচশিং অদু ইন্দিয়ানা অফগানিস্তান অমসুং বংলাদেশকা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিদা জুনিয়র লেভেলদগী মরু ওইনা কুমজা ২০১৮-১৯গী ওইনা শেমখিবা ইন্দিয়ান এরোজ ফুটবোল ক্লবতগী মখোয় মখোয়গী পোজিসনদা ফজবা ঙমখিবা শান্নরোয় ৩ সেনিয়র টিমগীদমক চীফ কোচ আইগোর ষ্টিমেগনা খনগৎপদা য়াওখি।

মখোয়শিং অদুদি নরেন্দ্র গেলোট, অনৱর অলি (জুনিয়র) অমসুং কিয়াম অমর্জিৎনি। পনবা য়াই, জুনিয়র ফুটবোল টিম অসিগী অফবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা কোচ আইগোর ষ্টিমেগনা মমাঙদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় টিমনা শান্নখিবা ইন্টর্নেসনল ফ্রেন্দলি মেচতা অহানবা ওইনা জুনিয়রগী কাংলুপ্তগী কুমজা ২০১৭গী ইন্দিয়ানা যুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপকী কেপ্টেন ওইখিবা কিয়াম অমর্জিৎপু শান্নহন্দুনা অহানবা ওইনা জুনিয়রদগী সেনিয়রদা অথুবা মতমদা য়ৌখিবা নহা ওইরিবা শান্নরোয় অমা ওইখি।